# অঙৈং অশাগী খল কায়রকপনা শা-ষণদা পীরিবা চৈথেং

**ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী**





***লমদম*** অমগী অঙৈং অশা, নোংজু-নুংশা অমদি নুংশিৎকী ফীভম্না লৈবাক লৈহাও মনা-মশিংগী পোৎখোক্তা অমদি শা-ঙাগী পোৎখোক্তা অহোংবা কয়া পুরকই। গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বসি মালেমগী অশাবা হেনগৎলকপবুনি। মালেমনা নুমিৎতগী ইনর্জি লৌদুনা মালেমদা লৈরিবা জীব পানবা খুদিংমক লুম্না থম্মী। মসিদসু নত্তনা অঈং-অশা কায়দনা থম্নবা মালেম্ন সু ইনর্জি খরা পুথোকপা মথৌ তাই। মালংদা য়াওরিবা গ্যাসনা মালেমদা কোয়শিন্দুনা সোলর রেদিএসন চৎহন্দনা ফাজিনবা ঙমহল্লি। হায়রিবা গ্যাস (গ্রিন হাওস গ্যাস) সি য়ামখৎলক্লগদি মালেমদা হেন্না শাগৎলকপগী মচাক অমা ওইরকই। হায়রিবা গ্রিন হাওস গ্যাস (কার্বোন দাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইত্রস ওক্সাইদ, ঈশিং মনিল, ক্লোরোফ্লুরো-কারবোন) অসি খূৎশেমগী ওইবসু য়াই নৎত্রগা শাগোন্নরকপসু য়াই। গ্রিন হাওস গ্যাসতা য়াওরিবা ঈশিং মনিলসি শাগোন্নরকপনিনা মালেমগী শাবগী চাংসি খরমখৈদি শেন্নরগা থন্বা ঙম্মী। গ্রিন হাওস গ্যাস য়াওদ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক নেমখিদুনা মীওইবা অমদি জীব পানবা খুদিংমক হিংবা ঙমদে অদুগা করিগুম্বদা গ্রিন হাওস গ্যাসকী চাং ৱাংনা লৈখ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক ৱাংখিদুনা থক খা ওন্নবগুম অঈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং হোংলকপা কয়া অমা মায়োক্লগদৌরি। ঐখোয়গী ইন্দিয়ানা ষণ অমদি ইরোইগী মশীং অসি অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী ৱাংনা লৈরি। অনীশুবদনা হামেংনা লৈরি অদুগা অহুমশুবদনা য়াওনা লৈরি।

**অঈং-অশাগী খল কায়রকপনা ষণগী পোৎখোক চাথোক্তা মরি থোক্না অকায়বা পীরি। মখোয় অদুদি ঃ-**

ক) শা-ষণগী চানবা মচিঞ্জাক ফংনবা অমদি মমলদা অহোংবা লৈরকপা।

খ) শা-ষণনা চানবা অফবা মখলগী শজিক থারিবা অমদি লৌবুক-লম্ফাংদা হৌরিবা শজিক খুদিংমক পোৎখোক অমদি শজিক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিদা অহোংবা কয়া লৈরকই।

গ) কা হেন্না অঈং-অশাগী খল কায়রকপদা শা-ষণশিংগী শারেপ ফাননবা হোৎনবদা, চাগোকপদা অমদি হকচাং ফীভম ফগৎনবা হোৎনবদা অহোংবা কয়া লৈহল্লি।

**গ্রিন হাওস গ্যাসকা শা-ষণগা করম্না মরী লৈনবগে?**

ক) শা-ষণদা পীজরিবা শজিকশিং থাবদা হার ময়াম অমা চঙই । হায়রিবা হারসি শেম্বদা ফোসিল ফিউয়েল কয়া অমা চঙই। ফোসিল ফিউয়েলশিং শীজিন্নবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদ চাং ৱাংনা পুথোরকই। অসুম্না চাংচত্তা চহী অমদা মিলিয়ন টোন ৪০ গী কার্বোন দাইওক্সাইদ পুথোকই।

খ) শা-ষণনা চানবা শজিক থানবা অমদি মখোয়না লৈনবা উমং কোকথোকপা নৎত্রগা মৈ থাবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং য়াম্না পুথোকই।

গ) শা-ষণনা চাশিল্লিবা মচিঞ্জাকশিংসি মথং-মনাও নাইনা তুম্নবা হোৎনবদা মাইক্রোবিএল ফর্মেনটেসন তৌদুনা মিথেন-গ্যাস পুথোকই । হায়রিবা মিথেন গ্যাস অসি শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক অমদি মখোয়না তুম্নবা হোৎনরিবা প্রোসেস অদুগী মতুং ইল্লি। শা-ষণদা চখাউ মরী পানবা (ষণ, ইরোই, হামেং, য়াও অসিনচিংবা) গা পান দবগা মিথেন পুথোকপগী চাংদম্নবদা চখাউ মরি পানবদনা হেল্লি। চখাউ মরি পানবা শাশিংদি অয়াম্বনা শজিক্না নম্না চাই। মফোনগী শরুকসু চাই। মখোয়না চাশিনখ্রবা মতুংদা অমুক ঙাইহাক পোত্থারগা থকলোমদা হাইদোরকপা মতমদসু মিথেন গ্যাস অসি পুথোরকই। শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিসু মিথেন গ্যাস পুথোকপগী মখা পোল্লি। ক্বালিটি হন্থবা মচিঞ্জাক্তা মিথেন গ্যাস পুথোকপা হন্থহল্লি অদুগা ক্বান্টিটি য়াম্না মচিঞ্জাক পীজরগদি মিথেনগী গ্যাস পুথোকপগী চাং ৱাংনা লাকই।

খ) শা-ষণশিংগী মথী ময়ুংশিংসি নুংশিৎ অমসুং ওক্সিজেন য়াওদনা পুমথহন্নবা হোৎনবদা মিথেন গ্যাস পুথোকই। মিথেন গ্যাস পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙলিবা বেক্টেরিয়াসি মথী ময়ুংশিংগী টেম্পরেচর অমদি মোইচরগী মখা পোল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক অমদি মখোয়গী ডাইজেষ্টিব সিষ্টেমগী মখা পোল্লি।

গ) শা-ষণদগী, মচিঞ্জাক অমদি অতোপ্পদগী অকংবা কয়া লেহৌবনা নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং হেনগৎহল্লি অমদি মথী ময়ুং নিংথিনা মেনেজ তৌদ্রগসু নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং ৱাংহল্লি।

মালেম অপূম্বগী ওইনা কাবোন দাইওক্সাইদ পুথোকপদা শা-ষণনা চাদা ৯ পুথোকই। মিথেন গ্যাসনা চাদা ৩৫-৪০ পুথোকই অদুগা নাইত্রস ওক্সাইদনা চাদা ৬৫ গী চাংদা পুথোকই।

**গ্রিন হাওস গ্যাস পুথোকপগী চাং করম্না হন্থহনগনি ঃ**

ক) শা-ষণনা চারিবা শজিক থাবা মতমদা শীজিন্নরিবা হারসি য়ারিবমখৈ রসায়নগী হার ওইদবা ওর্গানিক ওইবা, কম্পোস অসিনচিংবা ময়ামসি শীজিন্নবীগনি।

খ) য়ারিবমখৈ মফোনগী শরুক্না নম্না পীজবগা লোয়ননা লোকলদা ফংলিবা শজিক ময়াম অমা পীজনবা হোৎনবা।

গ) ফোসিল ফিউয়েল চাং হন্থনা শীজিন্নবা।

ঘ) শা-ষণশিংসি ষনজাবুংদা থাদোক্তুনা শজিক চাহনবা।

ঙ) মথী ময়ুংশিং লমহাংদা চাইথোল্লবনিনা মিথেন গ্যাস সলরিদগী পুথোকপা চাং হন্থহল্লি।

চ) করিগুম্বা মতমদা লৈবাক্তগী ডি-নাইত্রেফিকেসন তৌদুনা নাইত্রস ওক্সাইদ পুথোকই। শা-ষণনা ষনজাবুংদা শজিক চারগা মথী ময়ুংশিং অমদি ঈশিং ময়াম অমদি নিংথিনা চাইথোল্লগদি নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং হন্থহল্লি।

**টেবল ১ ঃ গ্রিন হাওস গ্যাস পুথোকপগী চাং ঃ**

| এগ্রিকলচর সেক্টর | মিথেন | নাইত্রস ওক্সাইদ | কার্বোন দাইওক্সাইদ |
|---|---|---|---|
| পুমথরবা মতুং চাকখাউদগী থোরকপা | ১০০৯৯.৮০ | - | ২১২০৯৫.৮০ |
| ষণথি ষণয়ুংদগী | ১১৫.০০ | ০.০৭ | ২৪৩৬.৭০ |
| ফৌ থাবা মতম | ৩৩২৭.০০ | - | ৬৯৮৬৭.০০ |
| লৈবাক্তগী | - | ১৪০.০০ | ৪৩৪০০.০০ |
| অরেম্বা মনা মশিং | ২১৬.০০ | - | ৬৬০৬.০০ |

*পীরিবশিংসি টোন লিশীংদা - সোর্স আই এন সী সী এ, ২০১০।*

ঐখোয়না গ্রিন হাওস গ্যাস চাং হন্থনবা অমদি তুং কোয়না মতম শাংনা হিংনবা কাঙলোন চুম্না শা-ষণ লোইনবা হোৎনমিন্নরসি।

# ফোর্মেলিন য়াওবা ঙা চাবা অমদি মসিদগী থোক্লকপা য়াবা খুদোংথীবশিং

**ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ সিংহ**





**ফোর্মেলদিহাইদ** হায়রিবা হীদাক অসি হু চেনবা পোৎশক অমনি। হায়রিবা পোৎশক অসিনা মহীক মতাই (বেক্টেরিয়া, ভাইরসনচিংবা) হাৎপা ঙম্বদা নত্তনা মীওইবগী সেলশিংসু শিহনবা ঙম্মী। ঙাখক্তা নত্তনা অতোপ্পা শা, শঙ্গোম অমদি চান-থক্লবা পোৎশক কয়াদা হাপ্তুনা মতম কুইনা পৎথ-পুমথদনবা শীজিন্নবগী ৱাফম কয়াসু লৈরি।

ফোর্মেলিন/ফোর্মেলদিহাইদকা থেংনরুবদগী ময়াম্না য়াম্না কিনরিবা লায়না কেন্সর লায়না ওইহল্লকপা য়াই। মসিদসু নত্তনা শ্বর হোনবদা নুংঙাইতবগী লায়না অমদি নুপী ওইবীশিংদা অঙাং ওইবা ঙমহন্দবা অমদি অঙাং ওইরবা মতুংদসু অশোয় অঙাম থোকপা য়াবগী খুদোংচাদবা কয়া লৈরি।

এমোনিয়া হায়রিবা পোৎশক অসিসু উনবু মহি ওন্থোকহন্দবদা মতেং পাংবা পোৎশক অমা ওইবা মরম্না উন শেম্বা মতমদা হাপ্পী। হায়রিবা এমোনিয়া অমদি ফোর্মেলিন অসি চাং হেন্না চাশিল্লবদি মীওইবগী হকচাংদা নুংঙাইতবা কয়া ফাওরক্কনি। খুদম ওইনা হায়রবদা পুক নাবা, ওনীংবা, ৱাখল মাঙশিল্লকপা অমদি খরা হেন্না চাশিনখ্রবদি শিবা ফাওবা য়াওই।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরসু মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা মখল কয়া চানরিবা ষ্টেট অমনি। মণিপুরদা পুথোক্লিবা ঙাগী পোৎথোক অসি কোন্নবা ঙমদবনিনা মপান্দগী ঙা পুশিল্লকপা হায়বসিসু তঙাইফদবনি। মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা রৌ, ম্রিগল, শরেং, ঙাহৈ, মেকরেল, ইলিশানচিংবা ঙা অতেকপশিং অসি কুইনা পথ্-পুমথদনবা ফোর্মেলিন নৎত্রগা অতোপ্পা কেমিকেলশিং হাপ্লমগনি হায়বগী চিংনবসু লৈরি। তৌইগুম্বসুং লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা মিৎয়েং চঙবীদুনা তঙাইফদনা য়েংশিনবীবা মথৌ তারি।

হন্দক নাগালেন্দদা ফোর্মেলিন নৎত্রগা অতোপ্পা প্রিজার্বেটিবশিং য়াওব্রা হায়দুনা থিজিনবদগী খঙলকপা রিজল্টকী মতুং ইন্না মপান্দগী পুশিল্লকপা মখল খুদিংগী ঙা অতেপশিং য়োনবা থিংখিবসি য়াম্না মরুওইবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই। মণিপুর লৈঙাক্কী মীওইশিংনসু মীয়ামগী হকচাং ফনবগীদমক খনবীদুনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না খঞ্জে। খুদক্তগী মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা য়োনবা থিংবখক্তমক নত্তনা ঙাগী সেম্পল লৌবীদুনা ঙাদা ফোর্মেলিন নৎত্রগা অতোপ্পা হু চেনবা হীদাক লাংথক য়াওব্রা হায়বগী চাংয়েং তৌবীবগী তঙাইফদবসু লৈ হায়না খঞ্জে।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমদি ফোর্মেলিন হায়রিবা পোৎশক অসি য়াওই নৎত্রগা য়াওদে হায়বা খঙদোক্লবগীদমক্তা কোচিদা লৈবা সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ফিসরিজ টেক্নোলোজিনা কিট অমা পুথোকখ্রে। হায়রিবা কিট অসিগী মতুং ইন্না মিনট অহুমগী মনুংদা রিজল্ট খঙবা ঙম্মী। হায়রিবা কিট অসিদা য়াওরিবা অসি চে মচেৎ খরা অমদি মহি অমনি। মসিদগী চে মচেৎ অমা লৌরগা ঙাদা নাল্লগা হীদাক মহী অদু চে মচেৎ অদুদা দ্রোপ অমা হাপ্লগা করি মচু ওল্লকই হায়দুনা য়েংবীগদবনি। হায়রিবা চে মচেৎ অদু হিগোক মচু ওল্লক্লবদি ফোর্মেলিন য়াওই হায়বা খঙবীগদবনি।

হায়রিবা থৌওং অসি মীওই অয়াম্বনা তৌবা য়াবা থৌওং অমনি। মসি নত্তবদা মমুৎ তানা খঙদোক্লবগীদমক্তদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ লোইশঙশিংদা লৈরিবা ঐচ পি এল সী হায়রিবা খূৎলায় অসিগী মতেংনা তৌবা য়াই। হায়রিবা খূৎলায় অসি মণিপুরদা লৈরিবা লোইশঙ কয়াদা বৈগ্যানিকশিংনা শীজিন্নরি।

ঙা অমদি ঙাগী পোৎথোক অসিনা লৈবাক অসিদগী মপান লৈবাকশিংদা য়োনবা লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক্কী খ্বাইদগী চাউবা শরুক অমসু ওইরি। চহী অমদা ঙা টন লাক্ষ ১০.৫১ মপান লৈবাকশিংদা য়োন্দুনা শেল ওইনা লুপা ক্রোর ৩৩.৪৪২ ফংবা ঙল্লি। মরম অদুনা হকচাং শোকহনবা য়াবা পোৎশকশিং শীজিন্নরবদি লৈবাক্কী ওইনসু অচৌবা অমাঙবা ওইরক্কনি।

মণিপুর অসি ঙা য়াম্না পাম্না চানবা ষ্টেট অমনি। অদুগীসু মথক্তা থৌদোক-ৱাথোক, হরাউ-কুম্মৈ, চাকচা-হৈজানবা, লুহোং-খোংদোংবা, নাহুৎ-নারেং তম্বা, মঙানি চাক্কৌবনচিংবা থৌরমশিংদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎশক অমনি। শেল য়াম্না লৈজদবা মীওইশিংগীদমক্তদি মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা অসি নত্তনা থৌরমশিং অসিদা শীজিন্নবা ঙম্নদে।

মপান্দগী পুশিল্লকপা মখল খুদিংগী ঙা য়োনবা থিংখিবনা মণিপুরগী মীওইশিংদা ঙাগী ওইবা প্রোটিন ৱাৎপগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনরকপা য়াই। অদুম ওইনমক হু চেনবা ঙা চাবদগীদি চাদবনা হেন্না ফৈ হায়বা মীওই কয়াসু থোরক্কনি। মতাং অসিদা লৈঙাক্কী অমদি লৈঙাক্কী নত্তবা লোইশঙশিংনা মীচম মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগী তঙাইফদবসু লৈ হায়না থমজনীংই।

মসিদসু নত্তনা ঙা য়োকপীরিবা ঙামীশিং অমদি লৈঙাক্কী মীওইশিং পূন্না হোৎনমিন্নদুনা ঐখোয়গী ঙাগী পোৎথোক হেনগৎহন্ননবা হোৎনমিন্নরসি হায়বা ৱাফমসি থমজনীংই।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল খন্নফাৎত্রিঙৈদা ফ্লদ এমেন্দমেন্ট বিল অমুক চৎনহল্লে

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**উমং-ৱামং** কোকশিল্লকপা, ৱেটলেন্দশিং মাঙশিল্লকপা, য়ুহার হাবা, নোং কা হেন্না নুমিৎ খরা শাংনা চুবা অসিনচিংবা ঈশিং-ঈচাউ ওইহল্লকপগী মরমশিং অসি অখণ্ড অহৈশিংনা খন্ন-খন্নদুনা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম্নচিংবা পী-পীদুনা হোৎনজরবসু চীংদা-তম্পাক্তা উ-ৱা কোকথোকপা, ৱেটলেন্দশিং ঙাক শেন্দবা, তুরেলশিংদা ফত্ত-হৌদি থাদশিনবা অসিনচিংবা অসি লেপ্পা লৈতবা মরম্না নাকল অমরোমদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদু তুং কোয়না চথহনবসু য়াম্না তঙাইফদে। অমরোমদা এৱ্যের্নেস অদু মপূং ফাবা ঙাইদুনা লৈরবা, মেটিওরোলোজি দিপার্টমেন্টকী চেকশিন-ৱা ঙাইথোক্তুনা লৈরবা অমসুং মাঙজৌননা খঙহল্লবফাওবদা খোঙ্গ্রাই চন্দুনা নিক্তুনা লৈথোল্লগা মতাং চাবা তাঞ্জা অমদা ঈশিং ঈচাউনা ইরাল্লখ্রবা মফমশিংদা চেং, হৱাই, থুম য়েন্থোক্লগা অমসুং মেদিকেল হেলথ কেম্পনচিংবা পাঙথোল্লগা লোইরে খন্নরগদি চহী খুদিংগী ঈরাক্লদুনা লৈখিগনি। পীরিবা মীওইবগী তেংবাঙ অদুবুদি ফত্তে হায়বদি নত্তে তৌবতবু চহী খুদিংগী নোংকন্না নৎত্রগা তপ্না নুমিৎ নীনি-হুমনিদং চুবা খুদিংগী মচি-মচিদা, লম্বী-সরক্তা, করিগুম্বা কান্দা তুরেলশিং পাথোক্তুনা ঈশিং-ঈচাউ হেক হেক মায়োক্নরিবসি ঙসি ঙরাংতগী ৱাফম নৎলক্ত্রি চহী কয়াদগী চথ্দুনা লাকপা, খন্ন-নৈনদুনতা লাকপা মদু মায়োক্লবগী তুং কোয়না চথবা য়াবা এক্সন প্লান অমা শেমদুনা মায়োক্লবগী তুং কোয়না চথবা য়াবা এক্সন প্লান অমা শেমদুনা মতম শাংনা পাঙথোকপা ঙম্লক্তবা হায়বসি খিৎ হাকমনখ্রে হায়জবনি। অমরোমদা ঈশিং-ঈচাউদগী থোক্লক্কদবা পোলিটিকেল, ইকোনোমিকেল, সোসল অমসুং হেলথনচিংবগী মায়োক্লরক্কদৌরিবা খুদোংথিবশিং অদু মীৎ অনীমক উইশিন্দুনা খনবদা পাঙথোরকপা মতমদদি মীৎ অনীমক পুমতাং তাংগদবা মাল্লি।

মহৌশাগী মনুংদা লৈরিবা খুদিংমক অসি অহোংবগী অহোংবা ঙাক্তনি। নোংজু থা, কালেন থা, ইকং থা, নিংথম থা, য়ুহার হাবা, ঈশিং-ঈচাউনচিংবশিং অসি মহৌশাগী লৈজবা খল অদু কন্ত্রোল তৌজনবা হেক হেক হোংদোক-হোংজিন তৌরিবনি। নুংশা য়াম্না শারবদি ঈংহন্নবা নোং চুরকই, য়াম্না ইংলবদি টেক্তোনিক প্লেটশিং অদু মফম চারক্ত্রবদি য়ুহার হাদুনা মফম চাহন্নবা অমসুং লৈতানবা হোৎনরকই। অসুম্না য়ুহার হাবা, শাথিরবা মহৌশাগী খংলাক-খংজিনগী ওইবা হোংদোক হোংজিন অসিনা থোকহল্লিবা অচৌবা নেচরেল কেলামিটিশিং অসি থিংবা ঙম্মবগী শক্তি অসি হৌজিক ফাওবদি লৈত্রবসু, মণিপুরদা ইতৎ তত্তনা থোক্লিবা খুকউ-খুজেং অমদি খ্বাংফাওবা য়ৌবগী ঈশিং খূৎচাউ অসিদি য়াম্না লায়নবু থোকহন্দবা য়াগনি।

অমরোমদা, মণিপুরগী তুরেলশিং অসি অতোপ্পা লমগী চাউরবা তুরেলশিংগা চাংদম্নবদা খূৎনাউবীমুক্তং চাউবা য়াম্না পীকপা তুরেলশিংনি। তুরেলশিং অসি পীকই হায়দুনা অতিয়াদা লৈবা নোং কৌবা লাইরেম্বীদা নোং কন্না চুহনবীরক্কনু হায়জরুবদা হে! অপঙবশা মতমগী অহোংবনি, অহেনবা ঈশিংদু তুংশিল্লু, কদায়দগী কনানা ঈশিং পুবিরক্কনি হায়দুনা মশাউরকই। মালেম ইমা-ইবেম্মদা য়ুহা হাবিরক্কনু ইমা হায়জরুবদা ইমাদি মীফমত্ত ময়ামগী পোৎলুম পুবদা ঙল্লক্তদুনা মরক-মরক্তা ইখোঙ-ইখূৎ অসি নীক্তবা য়াদেদো হায়দুনা ৱানা পাউদল্লকই। মরুপ-মপাং শল্লবা পুখ্রি, পাৎ, কোমশিংদা ঈশিং খরা য়াম্না তুংশিনবিয়ু হায়জবদা মরুপ ঐখোয়দি পুন্সি চেংজেল লোইশিল্লকপনা মরুপকী মতেং পাংজবা ঙল্লরোইদো হায়দুনা মীৎলুদগী পিরাং শিন্থহৌই। উ-পাম্বীশিংদা ঈশিং থুনা খরা চুপশিনবীয়ু হায়জবদা য়ান্থৎলমদাইদদি মীনুংশি মচেৎ অমফাওবা য়াওদে, অৱাবা নংলমদাইদনা পংকপ-কপশিন্নগনু মহায়রকই। মালেম ইমাদা অমুকসু ঈশিং খরা হেন্না চুপশিনবীয়ু হায়জরুবদা ইমাদি ঈশিংনা পুক অসি পিক থল্লে, শাউরনুকো হায়রকই। তাইবঙ মীওইবদা উমং-ৱামং কোকথোল্লগুমসি, ৱেটলেন্দশিং কলহৌসি হৌদোক্লুবদা লমকেৎ-লমহায় মতৌরকই। অরোইবদা ইমা ইবেম্মা তুরেলদা নহাক নৎত্রবদি অতৈ উপায় লৈত্রে হায়দুনা কপ্তুনা হায়জরুবদা ইমাদি চরম ফুন্দুনা ৱানা খাঙলিবসে নখোয়না উবিদে, থৌশাবীদেদো অদুনা ইমা ৱা হায়গে মুন্না তাও ‘নমাগী মতম শাংনা ফুল্লক্লিবা চরম অসি অমুক্তা হান্না খরা থুনা নিংথিনা নখোয় ময়াম তানরগা শেংদোকপিয়ুকো, ঐ ইচাশিংগী শোয়দনা অঙম্বা মতেং পাংবিগে হায়দুনা নুংশিনা খুম্বীরকই। অসুম্না কপ অমদা ঈশিং হেন্না হৈজিনবদা পাথোকপগুম মরম অমা নৎত্রগা অমদগী তুরেলদা তাশিল্লক্লিবা ঈশিংগী মশানা পাথরক্তুনা অশোনবা লৈরায়দা নমখায়দুনা ঈশিং ঈচাউ থোকপা তাবনি। রিটেন্নিং ৱাল ফনা চল্লবসু তুরেলগী ভোল্যুম অদু মতিক মপা চাহন্দ্রিবমখৈ মফম অমদা হেক্তা তাইনরক্কনি। ঈচেলদা অপনবা পীদনা ঈচাউ থোকহনগদৌরিবা অহেনবা ঈশিং অদু থুনা লৌথোক্লবা পাম্বৈদি তুরেল অমসুং দ্রেনশিং নত্তনা অতৈ করিসু লৈতে।

চীং লম্বী ফত্তবসু, নোং নুমিৎ নীনি-হুমনিদং চুবদা থোকপা ঈচাউ অমদি শুপ্নতগী দ্রেন ফুন্দুনা অচৌবা সরকশিংগী মথকফাওবা ঈশিং হাগৎলক্তুনা থুমজিনবা অসিসু নেচরেল কেলামিটিদা তাইশিন্দুনা তৌফম খঙদনা লৈরকপা মতম শাংমন্দুনা ঐখোয় মপোকসিমগী ওইথোক্কদবা মাল্লক্ত্রে। ফুট খরখক শাংবা পীকখ্রবা সঞ্জেনথোং অসি শানবা মপান লৈবাক্তগী মচাক মথুম ঙাইবদা লৈবাক মীয়াম হা-কা লাউনখিবগুম, হন্দক্তি তুরেল শেংনবগীদমক মপান্দগী টেক্নোলোজি ঙাইরগুমসি। মরমদি লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনবু চপ চাবা শীজিন্নরবদি য়াম্না লায়বা পোৎনি। সমুদ্র ইরোলনুংদা ফাওবা লম্বী থোং, ন্যুক্লিয়র প্লান্টনচিংবা শাগৎ-খোকৎ তৌবগী তানরিবা ঙাক্তনি। সোইলগা নেচরেল কেলামিটিগদা ঙাক্তা তাইনদুনা লৈবসু মরম চাগদবা মান্দে, হোৎনবা অমদি তঙাইফদে। মণিপুরদা থোকখ্রিবা নেচরেল কেলামিটি অসিদি জপান্দা থোকখিবা সুনামীগী মতু নাম্মা শোকপা জাৎ নত্তে।

হন্দক লৈঙাক্লা তুরেল খোংনুং অমসুং খোংবান শেংদোক্তুনা অখুবা মরীল লাউথোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীরিবসি য়াম্না লাইবক ফবা ওইরগনি। তৌবতবু খোংবান্দগী তুরেল ময়ায়রোমদা ইন্থোক ইন্থোক্তুনা শাজিন্দুনা তুরেলগী দাইমেন্সনশিং অসি তুরেল হৌরকফমদগী অরোইবফাওবা চপ মান্ননা খরা চাউথোকহন্দুনা দ্রেনেজ সিষ্টেম ফগৎহন্দুনা তুরেলদা অমোৎ অকায় লংথবা লেপহন্দ্রিবমখৈ ঈশিংদি য়াম্না তোয়না চাউখিগনি। তুরেল মরীল খুহনগদবা পোৎশক অমা হেক লৌথোক্তনা লেমহৌবদা অদুগুম্বা পোৎশক তরা-কুন লেমহৌবগা চপ মান্নদুনা ঈচেলদা অথিংবা পীদুনা ঈশিং মৌখৎহল্লক্কনি।

মীতোপচা ময়াম অমা সিটিজেন ওইনা চঙশিল্লকপগী অকিবা অমা লৈরিবসি য়াম্না খংথু-থুবা ফেনোমেনন অমা নত্তবনিনা আইন-কাঙলোন শেল্লগা খরবু কন্ত্রোল তৌবা ঙমগনি। ঈশিং-ঈচাউদি পায়রক-পায়থুগী থবক ওইবনিনা তুরেলশিংগী মতিক চাবা চৎন-কাঙলোনশিং অদু লৈঙাক্লা ঐগী মীগী য়েংদনা চৎনহন্দুনা তুং কোয়না ঈচাউদগী থিংহৌনবা লম্বী অমা থুনা য়াৎথোকহৌবা তঙাইফদবনি। মরম অদুনা তুরেলশিংগী হৌজিক ওইরিবা মরীনগী অরাউবদু কয়া য়াম্না চাউথোকহল্লগা তোয়না কম্মন ওইনা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাউ অদুগী অহেনবা ভোল্যুম অদু পাথহন্দনা চেন্থহনবা নৎত্রগা চিংথহনবা ঙমগনি হায়বদু কূপ্পা হোৎলগা পাঙথোকপা অমা চঙই।

অরোইবদা, মণিপুরগী তুরেলশিং অসি মনুংগী অমসুং মপানগী মীৎয়েংশিংগী লেমজনীংঙাইগী মশক ওইরবা য়াম্না তরু-তনান্না থল্লিবা কংলাপাৎকুম থম্বীনবা হোৎনবীবগা লোয়ননা হৌজিক চথরিবা তুরেল মরীল শেংদোকপা অসি মপূং ফানা মখা তানা চথবিদুনা অৱাবা তারবশিংবু কন্নবা হোৎনবীয়ু হায়জবগা লোয়ননা থবক্লা মাঙ-থাগনবা ইকায়খুম্নজরিবা লৈঙাক অসিগী লৈঙাকলোইশিংদা খুবাম চাংজৌ তরামক লোন্নদুনা নোল্লুকচরি।

*অদোমগী - ডা. এন জি মঙ্গি*
*সেগা লম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট*